# কালির্ফোনিয়াগী লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা মোন্টেরি পার্কতা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শিখ্রে

লোস এঞ্জেলিস, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

অমেরিকন কম্যুনিটি অমদা থোকপা খ্বাইদগী নৌবা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা লুনর ন্যু ইয়র সেলেব্রেসন অমগী মতুংদা কালির্ফোনিয়াগী লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা বোলরুম দান্স ক্লব অমদা গনমেন অমনা পাক্তক্লনা মীয়ামদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই তরা শিখ্রে অমসুং অতৈ তরানা অশোক অপন নঙখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা লোস এঞ্জেলিস সেরিফকী দিপার্টমেন্টকী কেপ্টেন এন্দ্রু মেয়রনা ফোঙদোকখিবদা মাস সুটিং অদুদা অশোক অপন নঙলবশিং অদু হোস্পিটালদা থুনা পুখৎখি অমসুং মখোয়গী ফিভমশিং অদু মীপায়নিংঙাই ওইদবা অমদি অরুবা কয়া য়াওরি।

মোন্টিরি পার্ক সিটিগী থৌদোক থোকফম অদুদা মীওই তরা শিখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। মেয়র অসিগী মতুং ইন্না থৌদোক থোকফম অদুদা নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা ওফিসরশিং থুংলখিবা মতমদা মীওই কয়া কপ লাউদুনা মফম অদুদগী চেন্থোক্লরকখি। ফায়র ফাইটরশিংনা অশোকপশিংদা ট্রিটমেন্ট পীখিবগা লোয়ননা ওফিসরশিং অদু দান্স বোল রুমদা চঙশিনখি। লুনর ন্যু ইয়র সেলেব্রেসনদা মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াখি। মোন্টিরি পার্ক অসি দাউনটাউন লোস এঞ্জেলিসতগী কিমি ১৬ রোম লাপ্পা এসিয়নশিংনা নম্মা তাবা মীওই লিশিং ৬০ রোমগী সিটিনি।

থৌদোক অদু থা অসিদা য়ুএসতা থোকপা মঙাশুবা পাক্তক্লনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্নি। অহানবা থৌদোক ওইনা টেক্সাসকী য়ুবালদেদা স্কুল অমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ২১ শিখি। খ্বাইদগী নৌবা ভাইওলেন্স অদু কোলোরাদো স্প্রিংস নাইট ক্লব অমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই মঙা শিখিবা মতুং থা অনী কান্নরগা থোক্লক্লিবনি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুগী মরু ওইবা লম্বী অমগী মনাক্তা লৈবা ক্লেম হাউস সী ফুদ ভারবিক্যু রেষ্টোরেন্ট অমগী মপু ওইরিবা সিওং ৱোন চোইনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি মীওই অহুম মহাক্কী বিজিনেস মফম অদুদা য়াঙনা চঙশিল্লকখি অমসুং মঙোন্দা থোঙ লোন্নবা হায়রকখি।

মীওইশিং অদুনা চোইদা নোংমৈ পায়বা মশক খঙদবা মীওই অমা লৈরে অমসুং মহাক্না অউবা মীওই কয়াদা নোংমৈ কাপ্লে হায়না তমখি। চোইনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু দান্স ক্লব অমদা থোকখিবা মাল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নক্লবদা লৈবা ৱোং ৱৈ কৌবা মীওই অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখিবা অহিংগী মতম অদুদা দান্স ক্লব অমগী বাঠরুম অমদা মহাক্কী মরুপ লৈখি। মহাক্না মপানদা থোক্লকপা মতমদা গনমেন অমদা হকচাং অহুমগা পুখি। মদুগী তুংদা মরুপ অদু নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবা মতমদা ময়ুমদা চেনখি। সুটর অদুনা অশাংবা নোংমৈ অমা পায়রগা মথোং মরম খঙদনা অউবশিংদা উনশিল্লগা কাপখিবা মাল্লি। করিগীদমক্তা কাপ্লিবনো হায়বদুসু খঙনখিদবগা লোয়ননা মীওই কয়া কোইচেন চেন্নখি হায়না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াখিবা লুনর ন্যু ইয়র সেলেব্রেসন মফম অমগা নক্লনা থোকখিবনি। সাউর্দন কালির্ফোনিয়াদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাওবা লুনর ন্যু ইয়র ইভেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ফেষ্টিবেল অদু জনুৱারী ২১ দগী হৌখি।

সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা অশোক অপন নঙলবা মীওই কয়া ষ্ট্রেচরশিংদা হাপচিনবা অমদি এম্বুলেন্সশিংদা ইনশিনবা উখি। অতৈ ফোটো কয়াদা গাড়ী খাম্ফম অমদা মোন্টিরি পার্ককী ফায়র ফাইটরশিংনা ঈখেং তৈরবা ভিক্তিমশিংবু ট্রিটমেন্ট পীবগী শক্তমশিং উখি।




# স্বিদেননা নাটোদা য়াওনবা হোৎনবগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা এন্টি-টর্কি প্রোটেষ্টশিং কনশিনখ্রে

ষ্টোকহোল্ম, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

স্বিদেননা নোংচুপলোমগী দিফেন্স এল্লায়ন্স নাটোদা য়াওনবা হোৎনরকপগা মরী লৈননা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী কেপিটেল ষ্টোকহোল্মদা টর্কিগী মায়োক্তা চথরিবা প্রোটেষ্টশিং হান্নদগী হেন্না কনশিনখ্রে।




প্রোটেষ্টরশিংনা কুরানগী কোপি অমা মৈ থাখিবগা লোয়ননা টর্কি অমসুং নোর্দিক লৈবাক অসিগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লে হায়রি।

স্বিদেননা মিলিটরি এল্লায়ন্স অসিদা য়াওনবা হোৎনরকপদা অঙ্করাগী বেক্কিং কন্না মথৌ তারিঙৈ মতম অসিদা খোঙথাংশিং অসি লাক্লিবনি। স্বিদেনদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অদুগা মরী লৈননা টর্কিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী শেংলবা লাইরিক্তা চথখ্রিবা খ্বাইদগী ফত্তবা এটেক অদু ঐখোয়না খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসনগী মিংদা মুস্লিমশিংদা টার্গেট তৌরিবা অমদি ঐখোয়গী শেংলবা লাইরিক্কী ইকায় খুম্নবা হোৎনরিবা এন্টি-ইস্লাম এক্ট অসি য়াহল্লিবসি অদুক্কী মতিং নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না টর্কিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

টর্কিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অসি ষ্টোকহোল্মদা লৈবা টর্কিজ এম্বেসিগা নক্লনা কুরানগী কোপি অমা ফার-রাইট কাঙবুশিংগী এন্টি-ইম্মিগ্রেন্ট পোলিটিসিয়ন অমনা মৈ থাখিবা মতুংদা ইস্যু তৌখিবনি।

টর্কিজ মিনিষ্ট্রি অসিনা স্বিদেনদা কোরানগী কোপি মৈ থাখিবদা চেন্নবশিং অদুগী মায়োক্তা মথৌ তাবা এক্সনশিং লৌখৎনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক পুম্নমক্তা ইস্লামো ফোবিয়াগী মায়োক্তা মশক খঙদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবসু আপিল তৌখ্রে। সিটি অসিদা কুদশিংবু শৌগৎতুনা অমসুং স্বিদেননা নাটোদা য়াওনবা হোৎনরিবা অদুবু য়ানিংদবা উত্তুনা তোঙানবা প্রোটেষ্ট অমসু পাঙথোকখি। প্রো-টর্কিজ দেমোন্সট্রেটর কাঙবু অমনসু এম্বেসি অদুগী মপানদা রেল্লি অমা পাঙথোকখি। ইভেন্ট অহুম্মক পুলিসকী অয়াবা য়াওরগা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

স্বেদিস ফোরেন মিনিষ্টর টোবিয়াস বিলষ্ট্রোম্না ইস্লামো ফোবিয়াগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্স কন্দেম তৌই হায়খি। ত্বিটর পোষ্ট অমদা বিলষ্ট্রোম্না স্বিদেনদা ফ্রিদম ওফ এক্সপ্রেসন খ্বাইদগী হেন্না ইকায় খুম্নরবসু স্বেদিস গভর্ণমেন্ট নত্ত্রগা ঐ ইশামক্না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লিবা মতশিং সপোর্ট তৌই হায়বদি লৈতে হায়খি।

# লিমা য়ুনিভর্সিটিদগী প্রোটেষ্টরশিং তান্থোকখ্রে টুরিষ্ট সাইট মাচু পিচু থিংজিনখ্রে

লিমা, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

পেরুগী কেপিটেল লিমাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদগী ওথোরিটিশিংনা প্রোটেষ্টরশিং তান্থোকখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিনা মমিং লৈরবা টুরিষ্ট সাইট মাচু পিচু থিংজিনখ্রে।



প্রোটেষ্টরশিং অদু কেপিটেলদা হনবা লৈতনা এন্টি-গভর্ণমেন্ট দেমোন্সট্রেসনশিংদা শরুক য়ারবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অদুদা লোৎতুনা লৈবনি হায়রি।

পেরুগী প্রসিদেন্ট দিনা বলৌটে মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌরিবা প্রোটেষ্টশিং অদু হৌখিবা দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তগী চথুরকখিবনি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪৭ শিখ্রে। গভর্ণমেন্টনা ইরাং কনবা মফমশিংদা ষ্টেট ওফ ইমার্জেন্সি লাউথোকখ্রবনি। লৈবাক অদুগী খা থংবা লমদমদা দেমোন্সট্রেসন মতুংদা অতোপ্পা প্রোটেষ্টর অমা শিখ্রে হায়না থাংজ নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখি। ভিক্তিম অদু শিরবা মতুংদা কুনোর রিজনগী লোকেল হোস্পিটাল অদা পুরকখিবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

মাচু পিচু থিংজিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা দেমোন্সট্রেটরশিংনা রেলৱে ট্রেক্তা অমাঙ অতা থোকহনবনা মরম ওইদুনা সাইট অদু য়ৌহল্লিবা রেল সার্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌখ্রবনি। অগুৱাস কালেন্টিষ্ট টাউনগী মনুং চনবা সাইট অদুগী মখোঙদা ফোরেন্নর ৩০০ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০০ পন্দুনা লৈখি অমসুং মখোয়না মফম অদুদগী পুথোকপীনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জখি।

হৌজিক লৈরিবা সোসলগী ওইবা ফিভম্না মরম ওইদুনা ইনকা ট্রেলস নেটৱার্ক অমসুং মাচু পিচু সিটিদেল অদু থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখিবনি। টুরিষ্ট সাইটশিং অদুবু থিংজিনবগী পান্দমদি ভিজিটরশিংদা অশোয় অঙাম থোকহন্দবা অসিনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

পন্দুনা লৈরিবা অলেম লোপেস কৌবা চিল্লিয়ন টুরিষ্ট অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি ট্রেন অমনা ঐখোয়বু পিকঅপ তৌগদ্রা নত্ত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বসি ঐখোয়না হায়বা ঙমদ্রে। টুরিষ্ট পুন্নমক মফম অদুদগী পুথোকপদা য়াওননবগীদমক ক্যুদা শাংনা লেপ্পরি।

অমরোমদা, টুরিজম মিনিষ্টর লুই ফর্নান্দো অলগোরেনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেলৱেদা অমাঙ অতা কয়া থোকপনা মরম ওইদুনা টুরিষ্টশিং মখোয়না লৈরিবা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎপা য়াখিরোই হায়না ফোঙদোকখি।

# রাইওট মতুংদা ব্রাজিলগী লূলানা আর্মি কম্যান্দর মফম লৌথোকখ্রে

ব্রাজিলিয়া, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

ব্রাজিলগী প্রসিদেন্ট লূই ইনাসিও লুলাদা সিলবানা থাংজ নুমিত্তা আর্মিগী কম্যান্দর মফম লৌথোকখ্রে। খোঙথাং অদু লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্টগী সপোর্টরশিংনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী মীখলগী রিজল্টশিং য়ানিংদবা উৎলদুনা হৌখিবা অকনবা ইরাংদা ব্রাজিলিয়াদা লৈরিবা পৱারগী হোলশিংদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখিবা মতুং চয়োল অনী কান্নরগা লাকপনি।

ভেটরান লেপটিষ্ট অসিনা আর্মি কম্যান্দর জুলিয়া সেসর দে অরুদা দিসমিস তৌরিবদু মহাক্না ওফিস পায়বা হৌরবা মতুং মপানদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইনা আর্জেন্টিনাদা চৎকদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদেনি।

লূলানা সাউথ অমেরিকাগী পৱার হাউস ইন্টরনেসনেল ষ্টেজতা অমুক পুশিল্লক্লবা হোৎনরকপগা লোয়ননা অহানবা মপানগী খোঙচৎতা আর্জেন্টিনাদা চৎতুনা মরু ওইবা মীফম অমদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

অরুদা হান্নগী প্রসিদেন্ট জেয়র বোলসোনারোগী টার্ম লোইগদবা নুমিৎ নীনি ৱাৎলিঙৈ দিসেম্বর ৩০ দা ফম অদু পায়খিবনি। মহাক্না ফম অদুবু পায়রিবদু লূলাগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না জনুৱারীগী অঙনবদা কনফার্ম তৌখি।

জনুৱারী ৮ দা বোলসোনারোগী সপোর্টরশিংনা প্রসিদেন্সিএল পেলেস, সুপ্রিম কোর্ট অমসুং কংগ্রেসতা থোমজিন্দুনা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখি। মখোয়না থোঙনাওশিং অমদি ফর্নিচর থুগায়বগা লোয়ননা মফমশিং অদুদা লৈরিবা মমল নাইদ্রবা আর্টকী ওইবা পোৎশকশিংসু মাঙহন তাকহনখি।

মখোয়না ইখিবা গ্রাফিটি মেসেজশিংদা লৈবাক অদুদা মিলিটরি কু অমা চথরক্লবা আপিল তৌখি। মীওই ২০০০ গী মথক্তা ফাগৎখ্রবা রাইওটশিং অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং চেন্নরম্বা য়াই হায়না লূলানা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

লেপটিষ্ট প্রসিদেন্ট অসিনা অহানবমক্তদা মহাক্কী অকোয়বদা লৈরিবশিং রিভিয়ু তৌগনি হায়না লাউথোকখি। দিফেন্স মিনিষ্টর জোস মুসিওনা প্রসিদেন্টগা উন্নরবা মতুং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা হায়খি, কনফিদেন্সকী লেভেলদা চাওনা কায়বগী ফিভম অমা লাকপনা মরম ওইদুনা অরুদা আর্মিগী মকোক ওইবগী ফমদগী লৌথোক্লে। অসিগুম্বা ক্রাইসিস অসি মপুং ফানা লোইশিনবা য়াননবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না মুসিওনা ফোঙদোকখি।

# কৃষ্ট হিপকিন্সনা ন্যু জিলেন্দগী ৪৯ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি

ৱেলিংটন, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

ন্যু জিলেন্দ লেবর পার্টিনা কৃষ্ট হিপকিন্সনা পার্টিগী অনৌবা লিদর অমসুং ন্যু জিলেন্দগী ৪১ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না হিপকিন্স মশামক্না প্রেস কনফরেন্স অমদা লাউথোকখ্রে।

লেবর পার্টি কোকসকী মীফমদা কোকস মেম্বর ওইরিবা মিনিষ্টর ফোর এদুকেসন, পুলিস এন্দ পব্লিক সার্ভিস অমসুং হাউসকী লিদর কৃষ্ট হিপকিন্সপু অনৌবা লিদর পার্টিগী ওইনা খনখিবনি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি হিপকিন্স অসি হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা মফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবা জসিন্দা আর্দেনগী মহুৎ শিনগদবা অমত্তা ঙাইরবা নোমিনিনি।

কেলষ্টনদগী থাগৎলকপা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টর কার্মেল সেপুলোনিবু দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌখি। ন্যু জিলেন্দগী পোলিটিকেল সিষ্টেম মতুং ইন্না পার্লিয়ামেন্টকী মেজোরিটি পার্টিনা গভর্ণমেন্ট শেম্মী অমসুং পার্টিগী লূচিংবা অদুনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওই।

কোকসকী মীফম অদু লোইরবা মতুংদা প্রেস কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলদুনা হিপকিন্সনা হায়খি, মদুদি মহাক য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওফিসল ওইনা পিএমগী ফম পায়বগী ৱাশক লৌগনি। লাক্লিবা চয়োলগী মনুংদা কেবিনেট রিসফলসু এরেঞ্জ তৌগনি।

হিপকিন্সনা মরু ওইনা দোমেষ্টিক ইস্যুশিংদা মীৎয়েং চঙগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ইনফ্লেসন ৱাংলক্লিবা, হাউজিংগী মমলশিং ৱাংলক্লিবা অমদি লো এন্দ ওর্দর য়াওনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুশিং অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবনা মরু ওইবা পোলিসি ওইগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি।



মহাক্না চাইনাদা মরু ওইবা খোঙচৎ অমা চৎপগী ৱাফম অসিসু খ্বাইদগী মরু ওইবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি হায়বা ৱাফমসু থমখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিকমক্কী ওইনদি ইন্টরনেসনেল ট্রাবেল প্লানশিং য়াৎপা লৈত্রি হায়খি।

আর্দেননা মহাক লাক্লিবা ফেব্রুৱারীদা পিএমগী ফম থাদোকপগা লোয়ননা লেবর পার্টিগী লূচিংবা ওইবসু তোক্লগনি হায়না হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখিবনি। চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা মীখলদা মহাক অমুক হন্না মীরেপ ওইররোই হায়না লাউথোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না ন্যু জিলেন্দগী কুমজা ২০২৩ গী জেনরেল ইলেক্সন ওক্তোবর ১৪ দা পাঙথোক্লগনি।

# কোর্ট রুল্লিংগা মরী লৈননা নেটনয়াহুনা টোপ মিনিষ্টর লৌথোকখ্রে



জেরুসালেম, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

সুপ্রিম কোর্টনা এরি দেরিগী এপোইনমেন্টগী মায়োক্তা রুল্লিং অমা পীখ্রবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা টোপ মিনিষ্টর অমা ওফিসতগী লৌথোকখ্রে।

কোর্টকী রুল্লিং অদুনা মহাক্কী নৌরিবা কেবিনেটপু নিকহনখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অসি লাকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না নেটনয়াহুনা কেবিনেট মীটিং অমদা এরি দেরিনা হায়খি, মদুদি থম্মোয় শোকপা মওংদা ঐহাক্না নহাকপু গভর্ণমেন্টদা মিনিষ্টর অমা ওইবগী পোজিসনদগী তঙাই ফদনা লৌথোকপগী ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

অল্ট্রা-ওর্থোদোক্স জিরিষ্ট পার্টি সাসকী লুচিংবা দেরি ইজরেলগী নবেম্বর অমদা পাঙথোকখিবা মীখল মতুংদা কোল্লিসন দিল অমগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা থাদা হেল্‌থ এন্দ ইন্টেরিয়র মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা রুল্লিংদা বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা টেক্স থিদনবা হোৎনরম্বগীদমক মমাঙগী চহীদা কনভিক্সন পীখ্রবা দেরিবু মফমদগী লৌথোক্কদবনি হায়খি।

ভেটরন পোলিটিসিয়ন অসি মতম অদুদা মহাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি সিট থাদোকখিবনি। জজশিংনা মখোয়গী রুল্লিংদা দেরিনা খরা নেম্বা চৈরাক অমা ওইনা ফংনবগীদমক্তা পোলিটিক্সতগী রিজাইন তৌনিংবগী মতৌ উৎপা উই হায়খি।

ভেটরন পোলিটিসিয়ন অসি সেকেল ১৮০,০০০ (দোল্লর ৫০,০০০) ফাইন তৌখি অমসুং মহাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি সিট থাদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক হৌখিবা নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা মীখলদা অমুক হন্না ওফিস পায়ননবা মীরেপ ওইখি। লো মেক্করশিংনা হৌখিবা থাদা ওফেন্স কয়াগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌরবা মীওইশিংবু কনভিক্ট তৌবদি য়াহল্লগা মিনিষ্টর ওইরবা মতমদা কষ্টদিএল সেন্টেন্স সাফ তৌবা য়াহন্দনবগী লেজিসলেসন অমা পাস তৌখি।

জজশিংনা দেরিগী এপোইনমেন্ট অদু মরম চাদবনা চৎনবা য়ারোই হায়না রুল্লিং অদুদা পনখি। পিএম নেটনয়াহুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খি, মদুদি দেরিগী সাস পার্টিবু মখা তানা গভর্ণমেন্টদা য়াওবগী অয়াবা পীরিবা রুল্লিং অদুনা মীয়ামগী অনিংবা অপান্বা খোঙ্গাওনৈ।

# মালেম্না লৌফম থোকপা ৱারেপ লৌদনা লৈবদগী য়ুক্রেনিয়নশিং শিবা হেনগৎলক্লে

কিভ, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

রসিয়াগা শোক্লরক্লিবা লান চহী অমরোম ফাজিল্লক্লবা মতম অসিদা কিভকী ফাইটিং কেপাসিটি হেনগৎনবা লেপর্দ টেঙ্কশিং সপ্লাই তৌবদা জমর্নিনা অপনবা পীবদগী য়ুক্রেনগী মীচংশিংনা লৌফম থোকপা ৱারেপ লৌবদা থিন্থদুনা লৈবা অসিনা য়ুক্রেনিয়নশিং লেপ্পুনা শিহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরে হায়না য়ুক্রেননা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মালেমগী লৈবাক ৫০ রোম্না কিভতা রসিয়ন ফোর্সশিং তকথোকপদা মথৌ তারিবা আর্মর ভেহিকলশিং অমসুং ম্যুনিসনশিং য়াওনা দোল্লর বিলিয়ন কয়ামুক্কী মিলিটরি হার্দ ৱায়র পীবগী ৱাফম য়ানখি। তৌইগুম্বসুং জর্মন দিফেন্স মিনিষ্টর বোরিস পিষ্টোরিয়স্না লেপর্দ টেঙ্কশিং য়ুক্রেনদা সপ্লাই তৌবগী মতাংদা করম্বা মতমদা ৱারেপ অমা লৌগদগে হায়বসি লেপত্রি হায়খি।

ঙসি ৱারেপ লৌবা ঙমদবা অসিনা য়ুক্রেনগী মীওইশিং মখা তানা শিহন্নবগী মরু ওইবা মরম ওইরি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্সিএল মিখাইলো পোদোলিয়ক্না ত্বিট অমদা থমখি। নোংম নোংমা ৱারেপ লৌবদা থিন্থবা হায়বসি য়ুক্রেনিয়নশিং নোংম নোংমগী শিবা হেনগৎলক্লবগী মরমনি হায়না ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিৎকী জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা বালটিক ষ্টেট অহুমগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা জমর্নিনা হৌজিক য়ুক্রেনদা লেপর্দ টেঙ্কশিং পীননবা তকশিনখি। লাটবিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর এগার্দ রিনকেবিক্স অমসুং ইষ্টোনিয়া অমদি লূইথেনিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবশিংনা ত্বিট অমদা রসিয়াগী অকন অরিং শিংবগী থৌওংশিং লেপহনবদা অমদি য়ুক্রেনবু মতেং পাঙবদা অমসুং য়ুরোপতা থুনা মরা তপ্পা ফিভম হঞ্জিনহনবদা মথৌ তাই হায়খি। য়ুরোপকী মরু ওইবা পৱার অমা ওইনা হিরম অসিগী মতাঙদা জমর্নিগী অখন্নবা থৌদাং লৈ হায়না মখোয়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

জমর্নিগী কেপিটেল বর্লিনদা মীওই চা কয়ানা ফেন্দরেল চাঞ্চেল্লরি বিল্ডিংগী মপানদা দেমোন্সট্রেসন পাঙথোক্তুনা য়ুক্রেনদা টেঙ্কশিং থাননবা তকশিনখি। বর্লিননা লেপর্দ টেঙ্কশিং য়ুক্রেনদা থাবা পামদবগা লোয়ননা অতৈ লৈবাকশিংদসু টেঙ্কশিং অদু কিভতা থাবদা থিন্থনবা খঙহন্দুনা লাকপনি। চয়োল অসিগী অঙনবদা ফোঙখিবা রিপোর্টশিংদা করিগুম্বা য়ুএসনা মসিগী টেঙ্কশিংসু য়ুক্রেনদা পীবা তারবদি লেপর্দ টেঙ্কশিং থাবগী ৱাফম য়াগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

অমরোমদা, ৱাশিংতন্না য়ুক্রেনদা অব্রাহম টেঙ্কশিং পীবা হায়বসিদা ট্রেনিং অমসুং মেন্টেনেন্সকী ওইবা খুদোং চাদবা কয়া লৈ হায়খি।

# মমাঙগী চয়োলদা চাইনাগী হোস্পিটালশিংদা কোভিদ পেসেন্ট ১৩,০০০ রোম শিখি

বৈজিং, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

চাইনাদা জনুৱারী ১৩ অমসুং ১৯ গী মরক্তা হোস্পিটালশিংদা কোভিদ পেসেন্ট ১৩,০০০ রোম শিখি হায়না রিপোর্ট তৌখ্রে। লৈবাক অসিগী টোপ হেল্‌থ ওফিসল অমনা অয়াম্বা মীশিং কোভিদ ভাইরসনা শোকহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ফিভম অসি লাকখিবনি।


চয়োল অমগী মমাঙদা চাইনানা জনুৱারী ১২ ফাওবদা হোস্পিটালশিংদা কোভিদনা নাদুনা লায়েংলকখিবা মীওই ৬০,০০০ রোম শিখ্রবনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং বৈজিংনা খঙহৌদনা হৌখিবা থাদা এন্টি-ভাইরস কন্ট্রোলশিং লৌথোকখিবদগী ওফিসল দেটা অদুদা মীয়াম্না চিংনবা পোক্লখি।

চাইনাগী সেন্টর ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সি দি সি) না থাংজ নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি হোস্পিটলাইজ তৌবা পেসেন্ট ৬৮১ কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সন্না থোকহনবা রেস্পিরেটরি ফেলিয়রনা মরম ওইদুনা শিখি অমসুং অতৈ পেসেন্ট ১১,৯৭৭ না অতৈ লায়নাশিংগী মথক্তা কোভিদ ইনফেক্সন লাকপদগী শিখি।

পীরিবা মশিংশিং অসিদা ভাইরস অসিগী ইনফেক্সন লৈবদগী হোম আইসোলেসন তৌরিঙৈদা শিখিবা মীওইশিংদি য়াওদে। ইন্দিপেন্দেন্ট ফোরকাষ্টিং ফার্ম অমা ওইরিবা এয়র ফিনিটিনা চাইনাদা নোংমদা কোভিদকা মরী লৈননা শিরিবা মীওইশিংগী মশিং লুনর ন্যু ইয়র হোলিদে মনুং অমদি লোইরকপদা ৩৬,০০০ লোম য়ৌগনি হায়না পারি।

ফার্ম অসিনা হৌখিবা দিসেম্বরদা চাইনানা জিরো-কোভিদ পোলিসি থাদোকখিবদগী লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৬০০,০০০ হেন্না শিখ্রে হায়নসু পারি। নোংমাইজিং নুমিত্তা তারিবা লূনা কেলেন্দরগী খ্বাইদগী চাওবা হোলিদেগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীওই মিলিয়ন কয়ানা হৌখিবা নুমিৎ খরা অসিদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা অমুক হন্না পুন্নবগীদমক অমগা অমগা ভিজিট তৌনখি। মশিং য়াম্লবা মীওইশিংনা অসুম্না মফম অমদগী অমদা চথোক চৎশিন তৌবা অসিনা ইনৌ নৌনা কোভিদকী লাইচৎ কনখৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈহনখি।

# কোভিদকী অথিংবশিং লৌথোকখিবদগী চাইনিজ টুরিষ্টশিং থাইলেন্দগী বিচশিংদা থোমজিনবা হৌখ্রে



ফুকেট, জনুৱারী ২২ (এজেন্সী):

চাইনানা কোভিদ ১৯ লাকশিন্নবগী অকনবা অথিংবশিং লৌথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী বোর্দরশিং অমুক হাংদোকপা হৌখিবদগী চাইনিজ টুরিষ্টশিং চহী অহুমগী মনুংদা অহানবা ওইনা থাইলেন্দগী সমুদ্র মপানগী লমশিংদা অমুক থোমজিন্নদুনা কোয়বা হৌখ্রে হায়রি।

থাইলেন্দগী খা নোংচুপ থংবা কোষ্টতা লৈবা ক্রাবিদা মশাগী চহী ২৮ শুরবা টুরিষ্ট অমসুং বিজিনেস ওর্নর কিকি হুনা হায়খি, মদুদি পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা ঐখোয় চহী অহুম চুপ্পা চাইনাদগী থোকপা য়াখিদে। হৌজিক্তি লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা থল্লকখিবা অকনবা অথিংবশিং লৌথোকখিবদগী ঐখোয় লৈবাক থাদোক্তুনা মফম অসিদা কোয়বা লাকপগী খুদোংচাবা ফঙলে। মসিদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইবা পোকই।

চাইনানাগী মীয়াম্না চাইনিজ ন্যু ইয়র সেলেব্রেসন তৌবগা ইরোয়ননা এসিয়াগী টুরিষ্ট হোটস্পোটশিং চাইনিজ টুরিষ্টশিং অমুক লাকপা হৌরগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা শেম শাদুনা লৈনরকখি। কোভিদ পেন্দামিক্কী মমাঙদা চাইনিজ টুরিষ্টশিংনা মালেম পুম্বগী ওইনা চহী অমদা দোল্লর বিলিয়ন ২৫৫ চাদিং তৌখি। থাইলেন্দ অমদি জপান য়াওনা লৈবাক কয়ানা ফোরেন ভিজিটরশিং খ্বাইদগী মশিং য়াম্না কোয়বা লাকপগী মতাংদা চাইনিজ টুরিষ্টশিংদা থাজবা থম্নদুনা লাকখি।

বৈজিংনা ইখঙ খঙহৌদনা হৌখিবা দিসেম্বরদা মালেমদা চৎনহনখিবা খ্বাইদগী কনবা কোভিদ ১৯ গী অথিংবশিংগী মনুংদা খরা লৌথোকখিবনি। চাইনিজ গভর্ণমেন্টগী কোভিদকী অকনবা অথিংবশিং অদুনা মরম ওইদুনা মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনোমি অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া থোকখিবনি।

সেন্ট্রেল চাইনাগী গিহুদগী য়োয়োচেন কৌবা মশাগী চহী ৩২ শুরবা বিজিনেস ওনর অসিনা হায়খি, মদুদি কোভিদকী অথিংবশিং লৌথোকপদগী থাইলেন্দদা অমুক হল্লকপা অসি মঙোন্দা ময়ুমদা অমুক হল্লকপগা চপ মান্নে। ঐহাক মফম অসিদা সি ফুদ চাবা পাম্মী। মমাঙদা লাকখিবা খোঙচৎ কয়াদসু মফম অসিগী ইন্দিজিনস চিঙ্গাক কয়া পাম্না চাখি। চাইনাদা হনখ্রবা মতুংদা ঐহাক্না মফম অসিগী হাওরবা চিঙ্গাকশিং মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈখি।